এম য়ুগী এগজাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান্দবাবুনা ঙসি থোকখিবা ওফিস ওর্দর/১৮৪গী মতুংইন্না থা অসিগী ২দা পাঙথোকখিবা সেন্টরশিংগী দিরেক্টরশিং অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অমদি দিনশিংগী মীফমনা লৌখিবা রিজোল্যুসন নম্বর ১গী মতুংইন্না বি এ/বি এস সী/বি কোম/ বি এস দব্লিয়ু/বি ঈ/বি টেক/বি বি এ/বি এফ এ/বি - ভোককী অন্দর গ্রেজুয়েট কোর্সশিংগীদমক তরুকশুবা অমসুং ৮শুবা (বি টেক) সেমিষ্টর এগজামিনেসন মার্ক ৫০গী ওইনা পুং ২গী ওনলাইন মোদতা পাঙথোক্লগনি হায়রি। লোয়ননা এম এ/এম এস সী/এম কোম/এম এল আই এস/এম এস এফ/এম পি ঈ এস/ এম সী এ/ এল এল এম/এম টেকনচিংবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট পোষ্টশিংগী মরিশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসনশিংসু ওনলাইনদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

য়ূ লিটর ৬০০ লোম ফারগা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা পুংদোংবম ফাওরগা ওটো এম এন ০৬ এস সী ১২৬৮ অমদা পুরকপা য়াল্লবা য়ুৱোশিং নোংঙাদা অৰাং লৈকায় মৈরা পায়বীশিং অমদি ক্লবকী মীওইশিংনা ফাখ্রে।

ওটো থৌরক্লিবা নুপা অদুগী মমিংনা খুন্দ্রাকপম তোম্বা অপোকপা কেঐচ ইঙো কৌই। মহাক থ্বালতাবিদা লৈবনি। মহাক্কী লোয়নবি মেম্মি অমদি মতৈমা থৌরানিগা লোয়ননা মৈরা পায়বিনা ফারগা মতুংদা অমুক হন্না ময়াই কাবা চিঙাক ললোনবগী থবক অসি তৌদনা ৰার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়না পুরকপা য়ূশিং অদু থাউ হৈজিল্লগা মৈ থাদোকখ্রে হায়রি।

এক্সিদেন্টদা ১ শিরে, ৪ শোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা ৰাংখেম কৈথেল ময়াদা টাটা দি আই অমগা ওটোগা থেঙ্গাইনবদা ওটোদা তোংলকপা অমা শিখ্রে। মীওই মরিনা অশোক-অপন থোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা এম দি তায়ফ অলি (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি শৌকত অলি কৌই। মহাক ঙারিয়ান অৰাং লৈকায়দা লৈবনি। টাটা দি আই এম এন ০৫ সী/১৮৩০ অদুনা থৌবাল লোমদগী লাকপনি। বজাজ ওটো রিক্সো এম এন ০১ ৰাই ৯২০৯ অদুনা মায়োক্লবা লম্বীদগী থৌরকপনি হায়রি। থৌদোক অদুদা ওটো দ্রাইভর য়াওনা শোক্লবা মীওই মরি অদু জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুনা পোষ্ট মোর্টম তৌনবা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়াইরিপোক পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.019308
US Dollar	74.146737
British Pound	103.307729
Australian Dollar	54.935127
Chinese Yuan Renminbi	11.479130
Japanese Yen	0.681228
Malaysian Ringgit	17.563239
Singapore Dollar	54.997088
South Korean Won	0.064924
Saudi Arabian Riyal	19.772463
Thai Baht	2.240184

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47628.00
Mumbai	–	Rs	48000.00
Delhi	–	Rs	47888.00
Kolkata	–	Rs	48180.00

GAS NEWS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 25/05/21
Valid from 24/05/21
Time: 07 am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : Bk. Uptodate
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156(SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 29/05/2021
BOOKING UPTO: 01/06/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

ৱার্কশোপ অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুমীদাং পুং ৯.২৬ লোম তাবদা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা খুরাই সোইবম লৈকায় অয়াংপলি রোদতা লৈবা উনা শাবা গাড়ি ৱার্কশোপ অমা খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুগী মপুনা পেবম বসন্তা (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে অমুজাউ কৌই। মহাক খুরাই সোইবম লৈকায় অয়াংপলিদা লৈবনি। মৈনা চাকপা অদুদা মীগী শেম্লবা থম্বা কার অমা , গাড়ি মচা মরি-মঙাসু য়াওখ্রে। মসিদা নত্তনা গাড়িগী খুৎশু-খুৎলায় কয়া অমসু মৈনা চাকখ্রে।

মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা ইম্ফাল ফায়র সর্ভিসকী টিম অমা লাক্তুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা থংনবা য়ুমশিং শোক্তনবা ঈশিং কাপশিন্দুনা হোৎনখি। গাড়ি ৱার্কশোপ অদুগী চাদা ৮০দি মৈনা চাকখ্রে। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্ক্যুটতগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মৈ চাকপা অদুদা অশোক-অপননচিংবদি য়াওদে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মহাক্কী ওফিসিএল রেসিদেন্সতা উনখিবা অদুগী মতুংইন্না লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের (দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেল, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া) গী মায়কৈদগী মীওই অহুমনা শাবা মল্টি-দিসিপ্লিনরি সেন্ট্রেল টিম অমা মণিপুরগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টগীদমক চত্থরক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংনবগীদমক দিপ্যুট তৌরে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শেল্লিবা মল্টি দিসিপ্লিনরি সেন্ট্রেল টিম অসিদা য়াওরিবা সিনিয়র ডাক্তরশিংনা রিজনেল ওফিস হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, মণিপুরগী সিনিয়র রিজনেল দিরেক্টর ডা. এল অশানন্দ, এন সী দি সীগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. রামেশ্বর অমসুং মণিপুরগী নোদল ওফিসরসু ওইরিবা কন্সলটেন্ট মাইক্রো বাইওলোজিষ্ট ডা. স্মিতা সিংহালনি হায়রি।

সেন্ট্রেল টিম অসিনা মরু ওইনা য়েংশিনগদবশিংনা সারস-কোভিদ-২ ভেরিএন্টশিংগী জেনোমিক সিক্বেন্সিংগী য়াওনা টেষ্টিং, কন্টেনমেন্ট ওপরেসনশিং অমসুং সর্ভিলেন্স য়াওনা কন্টেক্ট ট্রেসিং, কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং, এম্ব্যুলেন্সশিং অমসুং হোস্পিটালশিংগী ওইবা ফটালিটি এনালাইসিসকী থবকশিং য়াওনা হোস্পিটালশিংদা লৈবা বেদ মশীং অমসুং সফিসিএন্ট লোজিষ্টিক্সশিং অমসুং কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রেসনচিংবনি হায়রি।

এক্সপর্ট টিম অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা নুমিৎ খুদিংগী রিমিদিএল এক্সনশিং সজেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মসিবু এসেস তৌরগা নুমিদাং পুং ৭তা পব্লিক হেল্থ এক্টিভিটিশিং coronacontrolroom@gmail.com দা অপলোদ তৌগনি হায়রি।

সেন্ট্রেল টিম অসি হয়েংদগী মণিপুরগীদমক খোঙশানবা হৌরকপগা লোয়ননা মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা ইন্সটিট্যুসনেল হেদ পূন্নমক্না মতেং পাংনবা ৱাফমসু খঙহনখ্রে। মসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের (দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেল) গী মায়কৈদগী ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোকখ্রে হায়রি।

অমিট শাহগা গোবিন্দাসকা চিকথনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... দেল্লীদা লৈথদুনা উনরম্লগা হংচিৎ থা অসিগী ৬তা ইম্ফালগীদমক মফম অদু থাদোরক্কনি হায়রি।

চৈরকসিদা, বি জে পিগী মরু ওইবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোসসু থা অসিগী ৮দা ইম্ফালদা লাক্লনবা প্রোগ্রাম শেল্লম্লবসু ঙসিমক্কী ওইনদি প্রোগ্রাম অদু অমুক হন্না কেন্সেল তৌখ্রে।

মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. সম্বিট পাত্রসু ঙসি অয়ূক পুং ৯.৪৫গী ইন্দিগো ফ্লাইটতা ইম্ফালদা লাক্লনবা থৌরাং তৌরুরবসু গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা হোম মিনিষ্টর উনগদবা ৱাৎলিবনা খুদক্তা কেন্সেল তৌরগা অমিট শাহগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম উনখিবনি হায়রি।

পাউজী লিখুন অসিনা মখা তানা হায়বদা নৌনা বি জে পিদা চঙলকখ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবদা মহাক্না নক্লবা মণিপুরগী মীয়াম অমসুং ২৬-বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মহাক্কী ভোটরশিংদা হন্দক্কী ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী লোইশিল্লক্লবা টর্ম অসিদদি মিনিষ্টরগী ফম লৌররোই হায়বগী ৱাফম ঙসি নুমিদাং ফাওবদা ফোঙদোরকপা লৈরবসু পার্টিগী মায়কৈদগীদি মঙোন্দা অনৌবা থৌনা হাপ্পবগীদমক চপ চাবা ষ্টেটকী থৌদাংশিং শিন্ননবা থবক লৌখৎপা লেপত্রি হায়রি।

অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৬৫ থেংনরে, ১৪ ...

লামায় ১গী মখা... হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৪ অসিগী মনুংদা ১০না কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা মীওই ৩না কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২২৬নি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ৬৩৩, রিমস ১৬, জেনিমস ১৮, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ২২৫ অমসুং কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগীনা মীওই ৩৩৪নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৬৫ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,০১,৩৯০ (মীচম মীয়াম - ৯৭,৩৯৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৩,৯৯৫) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৯০,৭৬৯ (মীচম মীয়াম - ৮৬,৮২০ অমসুং সী এ পি এফ - ৩,৯৪৯) শুরে। এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৯,০১৫ (মীচম মীয়াম - ৮,৯৭৪ অমসুং সী এ পি এফ - ৪১) লৈরি। অদুগা রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৯.৫২নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দর মশীংনা দি টাইপ-২২৫৯ অমসুং বি টাইপ - ৩৬৩নি হায়রি। ঙৰাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৩,৪৭,৫৩৭ (ফর্ষ্ট দোজ - ১১,২৩,৬৩৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ২,২৩,৯০০) শুখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অহাঙবা ফমুং মশীংনা আইলেন্দ হোস্পিটাল (৯৫৪০৪০৪৯৫৫ /৭০৮৫২০৬৮২০)- জেনরেল বেদ - ১৫, এম এস এফ, লিট্টল ফ্লৱার স্কুল (৯৩১১২২২৯৪৭) -আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ-৪, সী এম সী, কোইরেঙ্গৈ (৯৬১২৬৩৬০০৪ /৯৬১২৯০৫৬২৮) জেনরেল বেদ - ২৭, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ - ৩, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল, শিংজমৈ (৭০০৫৪৩৬৮৭০/ ৯৬১২০২২১২৫) জেনরেল বেদ - ১১, জিবন হোস্পিটাল ককচীং (৯৩৬৬০৩৪২৭২/৭০৮৫৩৪৮ ৩৬৬) জেনরেল বেদ - ১৩, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ - ৬, শিজ হোস্পিটাল (৭০০৫০৯৭৬৮৮/৭০০৫১২ ৫১৫৮) জেনরেল বেদ-৩, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ-৮ অমসুং রাজ মেদিসিটি (৭০০৫১০৫৫৫২/ ৯৩৬৬৪৯৬৪১১) জেনরেল বেদ-৩৩ অমসুং আই সী য়ু বেদ-১০নি।

অপূনবা লায়েংশঙ ৭ অসিদা লৈরিবা অহাঙবা আই সী য়ু বেদশিংগী অপূনবা মশীং ১৩৩ (জেনরেল বেদ-১০২, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ-৩১) নি হায়রি। অদুগা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংগীদমক্তা হেল্থকী দেপ্যুটি দিরেক্টরসু ওইরিবা সী ঐচ আই সীগী ইন-চার্জ ডা. এল সোমোরেন্দ্রো (৯৪০২৭২৩২৪৩) দা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি হায়রি।

কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ফমুং ১,৮১১ হাঙখি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ১১ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈবা অপূনবা বেদ মশীং অমসুং মসিদা লৈরিবা মীওইশিং য়াওনা অহাঙবা বেদ মশীংশিং ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট (বাল ভবন, এন এস য়ু, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, আয়ুস হোস্পিটাল) গী অপূনবা বেদ মশীং ৬০৫গী মনুংদা ৪৮৩দা মী লৈনরগা ফমুং ১২২ হাঙখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা লম্বোইখোংনাংখোং, আর দি ৱিং, এম য়ু হোষ্টেল, এন আই টিগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদনা অপূনবা ফমুং ১২১৪ লৈবগী মনুংদা ৭৬৩ শীজিন্নরগা ফমুং ৪৫১ হাঙখি।

লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগীনা থৌবালগী ফমুং ৩০০গী মনুংদা ১০৬ শীজিন্নরগা ১৯৪ হাঙখি। বিষ্ণুপুরগী ফমুং ১০০ লৈবগী মনুংদা ৩৭ শীজিন্নরগা ৬৩ হাঙখি। ককচীংগীনা ফমুং ৭৬ লৈবগী মনুংদা ৩১ শীজিন্নরগা ৪৫ হাঙখি। চুড়াচান্দপুরগীনা ফমুং ২১০ লৈবগী মনুংদা ১৩৮ শীজিন্নরগা ৭২ হাঙখি। ফেরজোলগীনা ফমুং ৪৩ লৈবগী মনুংদা ১৯ শীজিন্নরগা ২৪ হাঙখি। সেনাপতিগীদি ফমুং ২০০ লৈবগী মনুংদা ২০০ মক হাঙদুনা লৈখি। তেংনৌপলগীনা ফমুং ২০ লৈবগী মনুংদা ফমুং ৫ শীজিন্নরগা ১৫ হাঙখি। জিরিবামগীনা ফমুং ৫৩ লৈবগী মনুংদা অমত্তা শীজিন্নদবদগী ফমুং ৫৩ মক হাঙদুনা লৈখি। নোনেগীনা ফমুং ৪০ লৈবগী মনুংদা ৯ শীজিন্নরগা ৩১ হাঙদুনা লৈখি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকীনা অপূনবা ফমুং ৭২ লৈবগী মনুংদা ফমুং ২০দনা পেসেন্টশিংনা শীজিন্নরগা ফমুং ৫২ হাঙদুনা লৈখি। তমেংলোংগীনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী ফমুং ২৬০ লৈবগী মনুংদা ২৩ শীজিন্নরগা ফমুং ২৩৭ হাঙদুনা লৈখি। চান্দেলগীনা ফমুং ৭০ লৈবগী মনুংদা ৪৯ শীজিন্নরগা ২১ হাঙখি। অদুগা উখ্রুলগীনা ফমুং ১০০ লৈবগী মনুংদা ৪০ শীজিন্নরগা ফমুং ৬০ হাঙদুনা লৈখি অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অপূনবা ফমুং ১৮৪ লৈবগী মনুংদা ফমুং ১৩ শীজিন্নরগা ফমুং ১৭১ হাঙদুনা লৈখি হায়রি।

চহী ৩গী নুপীমচা ১ ঈশিংদা তাদুনা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পুখাউ তেরাপুর দোলাইথাবি দাম ময়াদা চহী ৩ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইরিল তুরেলদা তাখিবদগী ইরাক্লদুনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদুগী মমিংনা কৈশাম তোম্বী কৌই। মহাক পুখাউ তেরাপুরদা লৈবা কৈশাম অবুং অমদি থোই অনীগী মচানুপীনি হায়রি। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা পুখাউ তেরাপুর দাম ময়াদা য়ুমগী মীওইশিং ইন চিংবা চৎখিবা অদুগী মনাক্তা চহী ৩দা ঙাইরিবী তোম্বী অমদি অতোপ্পা অঙাং অমগা চৎখিবদা ইরিল তুরেলগী দোলাইথাবি দাম মখাদা ঈশিংদা তাদুনা ইরাক্লখিবনি। হৌজিক ইরিল তুরেল ঈশিং চাওবনা মরম ওইদুনা থীবা পাক ফংখিদে। লৈকায়গী মীওইশিং শগোলমাং পুলিস অমদি ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স টিম য়াওনা থীখি। দামগী ঈশিং খরা থাদোক্লবা মতুংদা নুংথিলগী পুং ৫.৩০ রোম তাবদা লৈখিদ্রবী অঙাং অদুগী হকচাং ফংখি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাংদসু ইম্ফাল তুরেলগী কে আর লেন গোলাপটি মপাদা ইম্ফাল তুরেলদা ফরিশ খান কৌবা মীওই অমসু ঈশিংদা ইরাক্লদুনা শিনা ফংখিবনি। লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুলদসু শুপ্পগী চহী ৫দা ঙাইরিবা অঙাং ঈশিংদা তাখিবদগী থীবা ফংদনা লৈরি হায়রি।

পদ্মশ্রীগী এপ্লিকেসন...

লামায় ১গী মখা... মরোলশিং ৱেবসাইট - http://padmaawards.gov.in নৎত্রগা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা য়াসকী ওফিসতগী ওফিস অৱার মতমশিংদা ফংবা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, ‘সর্দার পটেল নেসনল য়ুনিটি এৱার্দ, ২০২১’ গীদমক লৈবাক অসিগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিগী থবক থৌরমশিংদা কন্ত্রিব্যুসন পীখিবা মীওইশিংদগী ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংলবা সিভিলিয়ন এৱার্দ অসি পীনবগী নোমিনেসন/রেক্কমেন্দেসনশিং কৌরি।

এৱার্দ অসিগীদমক ইলিজিবল ওইরবা সিটিজেনশিং/ইন্সটিট্যুসনশিংনা অকুপ্পা মরোলশিং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টতা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা ৱেবসাইট www.nationaluntityawards.mha.gov.in দগী এপ্লিকেসন ফোর্মেট ফংবা য়াগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি এৱার্দ অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌদোকখিবনি অমসুং মসিবু ওক্টোবর ৩১, ২০২১দা পাঙথোক্কদবা নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরমদা লাউথোক্কনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... মতম অসিদা ক্য শাংনা-শাংনা লেপ্তুনা লৈবা, দিষ্ট্রিক্ট অমগী ওইনা শুপ্পগী ওফিস অমত্তংদা ফোর্ম সবমিট তৌহনবনা মরম ওইদুনা অথাপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা, স্কুলগী ভেন দ্রাইভর, মেজিক দ্রাইভর, সাইকল রিক্সো অমদি বস দ্রাইভরশিংগী লৈজরিবা এসোসিএসনশিংনা পুন্না ফোর্ম কলেক্ট তৌদুনা থাজিনবগী খুদোংচাবা ফংহন্দবা অমদি মশা-মশা লাক্ত্রবদি অতোপ্পা মীওই অমনা ফোর্ম থাজিনবা য়াদবনচিংবা তোঙান-তোঙানবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈবা মরম্না তেল্লবা অককুবা মতম ওগষ্ট ৭ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিনবা ঙমহৌদদুনা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বসিসু মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং অমা ওইবগা লোয়ননা মীপাইবা পোক্লরি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা দি সী ওফিসতা স্কিম অসিগী ফোর্ম থাজিনবা লাকপা মীওই খরনা ফোঙদোরকখিবদা স্কিমশিং অসিগী ওর্দর অমদি চৎন-কাংলোন খুদিংমক ইংলিসতা ইবা মরম্না চাংচৎ অমদা লাইরিক লাইশু মপুং ফানা ইবা-পাবা ঙমদবশিংনা অয়াম্বা ওইবা মরম্না স্কিম অসিগী মতাংদা চপচানা খঙনবা হোৎনবদা অৱাবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা ইস্যুশিংদা য়ূম্ফম ওইবা থবকশিং অসি ইমালোল মণিপুরী লোলদা ফোংবিয়ু। য়াম্না চাওনা হৌজিক ফোর্ম থাজিনবা লাকপদা থেংনরিবা অৱাবা অমনা কেটাগোরি খুদিংমক্কী ফোর্ম থাজিনগদবা মীওইশিং মশা-মশা লাক্কদবনি হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা কোভিদ-১৯গী লাম্হেং মরক অসিদা কোভিদনা নারক্কদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহল্লে। লোয়ননা মীওই অমনা পুন্না মী মরি-মঙা নৎত্রগা ১০-২০গী ফোর্ম পুন্না পুরক্তুনা থাজিনবা য়াদবা অসিসু য়াহন্নিংই। করিগুম্বা ফোর্ম পুন্না পুরকপা অদুদা চিংনবা য়াওরগদি অদুমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপদা ৱারৌবা লৈরোই। দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মফম অমখক্তদা ফোর্ম থাজিনহনবগী মহুৎতা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা সেন্টর খরা হাংদোকহন্নিংই। ফোর্ম থাজিনবা লাকপদা অমুক্তং লাক্লম্লগা ফোর্ম থাজিনবগী থবক অদু লোইশিনবা ঙমদবা মরম্না কর্ফিয়ু মনুং অসিদা অনীরক-অহুম্লক লাকপা মথৌ তারকপা অসিনা লৈত-লায়রবা মীওইশিংদা চৈথেং অমুক্কা হেন্না পীবগা পাঙ্খক ওইরে। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা চীফ মিনিষ্টর্স কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইবলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী ফোর্ম থাজিনবগী থৌওং অসি মীয়াম্না খুদোংচাগদবা মওংদা তৌহন্নিংই। মদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা থা কয়াদগী ৱাদুনা লাক্লিবা মীয়ামদা মতেং পাংনবগী পায়খৎলক্লিবা স্কিম অসিগী চপা চানা মায়পাকপা হায়বদু ওইবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

‘লৌমীনা ৱানরবসু লৈঙাক্না দেল্লিদা এম এল এ ফাদোক ফাজিন তৌদুনা লৈরে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংনা হার অমসুং ঈশিং ফংদবগী ৱানরিঙৈদা লৈঙাক্না দেল্লিদা লৈদুনা এম এল এ ফাদোক-ফাজিন তৌদুনা লৈরে হায়না ফার্মর্স জোইন্ট এক্সন কম্মিটি, মণিপুরগী কনভিনর ঐচ ইবোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ইপা-ইপুশিংনা হায়নবা ইঙেল লাই চুবা থাসি লোয়রা ফাওবা লৈঙাক্না মওং চুম্না হার ফংহনবা ঙমদ্রে অমসুং ঈশিংসু ফংদবনা লৌ পানবা ৱানরে। লৌমীগী এসোসিএসন কয়ানা মতম চানা হার ফংহল্লু অমসুং ইথৈ লৌখোং কেনেল, দাম, আর এল আইচিংবা শেমজিন্দুনা মতম চানা ঈশিং ফংহল্লু হায়না চহী খুদিংদগী লাউদুনা লাক্লি। অদুবু লৈঙাকসিনা অমদি দিপার্টমেন্টনা কোক্তা-নাদা হাপ্পিদে। লৌমীশিংনা লাউদ্রবসু লৈঙাক্না দিপার্টমেন্টনা অমদি মিনিষ্টরশিংনা হেন্না খঙফম থোকই। এগ্রি মিনিষ্টরনা লৌমীশিংদা হার কন্ট্রোল রেটতা কোন্ননবা ফংহনগনি হায়রিখ্রগা হৌজিক্না হার ফংদবদগী দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পীনবা শুদবগী ৱান্নরে। অমরোমদা লৌমীশিংনা হার লৌনবগী অয়ূক্তগী ক্য লেপ্পলবসু ফংদ্রে অমদি ফংলবসু হৈক্রে মনাদা য়োল্লে। অদুগা মফম কয়াদনা ব্লেক্তা মমল তাঙনা য়োল্লিবসি কদাইদগী লৌরগা য়োল্লিবনো? মসি লৌতুনবা য়াওরব্রা হায়না চিংনরে।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা দেল্লিদা এম এল এ ফাদোক ফাজিনগী লোবি তৌদুনা লৈবসি লৌমীশিংনা পেন্নদ্রে। মরম অসিনা লৌমীশিংগী অকনবা খোল্লাও লাক্ত্রিঙৈদা দিপার্টমেন্ট অসিদা মানা-মানা থোকপা তৌনদুনা অঙকপা অমা থোক্লিবসি তোক্তুনা লৌমীশিংদা হার অমদি ঈশিং ফংহনবিনবা মরি লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা শুংয়া...

*লামায় ১গী মখা...*অমদি থেংনদুনা লাক্লি। অদুবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মতম শাংনা কামশিল্লকখিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লান্না খন্নহন্নবা হূ অদুদি হৌজিক ফাওবা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা কোকহনবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কামশিল্লকখিবা হূ অদু লৌথোক্তুনা ঐখোয় নুংশিনবা পুরক্লসি অমদি মণিপুরদা ঐখোয় মশেলগী ইন্টিগ্রিটি থল্লসি হায়খি।

অদুবু, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থেঙ্খ্বাং কয়াদা মণিপুরগী মীয়ামদা চিংনগদবা, ফুরুপ অমগা অমগা শাওনগদবা ফিরেপ কয়া লৌদুনা ফুরুপ অমদনা অমা হায়বা অদুগা অমদনা অমা হায়বা তৌদুনা শাংলবা মতমসি লমদমসিগী মীয়ামগী ৱাখল ৱাহল্লগা লাকখি। মসি কোক্লনবা ঐখোয় পূন্নমক্না য়াম্না মুন্না খন্থমিন্নবগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবা মতম ওইরে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শান্নরিবা দিভিসিভ গেম কয়াসি থেংনননবা হোৎনবদা মণিপুরগী মীয়ামসি শাংলবা চহী কয়া অসিদা মতম, পাঙ্গল অমদি লন-থুম ময়াম অমা মাঙখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী মীয়ামসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা তৌরিবা দিভিসিভ পোলিসি ময়ামসি থেংনবদা ৱাখল লায়না নাহল্লকপগী ফীভমদা লৈরে। লমদমসিগী মীয়ামসি নীরগা চাবা খুন্নাই অমা ওন্থোক্লবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় মীয়াম্না পংথদুনা লৈবগী মহুত্তা মীকপ থোক্লসি।

চহী কয়াগী মমাঙদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থাকপা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহনবগী লাংদা থুরুবদগী ফুরুপ অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাওনবা য়াবা ঙাওনখ্রে, চৈনবা য়াবা চৈনখ্রে। অদুগীসু মথক্তা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক ফাওবা থোকখিদুনা মীশি মীনা কয়া য়াওবগী নুংঙাইতবা অমদি কান্নদবা এক্সপরিএন্স অমা ফংখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নীংথিনা ৱারী শাদুনা অমনা অমগী প্রোব্লেম হংনদুনা, খঙনদুনা অৱাৎ অপা, অরৈ লৈত মতেং পাংনদুনা ঈং-তপ্পা অমদি ৱাত্তা পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মায় ওনশিল্লসি। অরানবা অমদি মাগী মাগী ফুরুপকী ওইজগদবা মওংদা খাঙুথক্তা কনাগুম্বা খরনা অরানবা কয়ানা মপুম অমা শাগৎতুনা শেমগৎনরিবা ৱারী অমদি দোক্যুমেন্টশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা শুংয়া য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা খুরৌ থাংগদবা অমদি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা ৱারৌনগদবা, খৎনগদবা মওংগী পুৱারী শাগৎনবা লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ অমত্তনা হোৎনবীগনু।

অমুকোনা কাঙলূপ নাইবা থবক থৌশিল অমত্তদা পূক্নিং থৌগৎতে অমদি মদুগী মায়োক্তা মতম পূন্নমক্তা লৈগনি। সোসল মীদিয়ানচিংবদা কাঙলূপ নাইবা ৱা ঙাঙবীগনু, কাঙলূপ নাইবা ৱাখল্লোন অমদি থবক তৌদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা শিল্লকপা খুদিংমক মণিপুরগী মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

মপান্দা তমগদবা মহৈরোয়শিংগী...

লামায় ১গী মখা... থোংলেনঙম্বা মৈতৈ, জেনরেল সেক্রেটরি হিটলর হিদম, বেঙ্গলোর মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি লৌরেম্বম রম্বো, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, কোলকটাগী এদভাইজর মনিচন্দ্র লৈশাংথেম অমসুং ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী মীহুৎশিংগা পূন্দুনা শরুক য়াখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এমসু ময়ায় লোয়শঙগী এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী সেক্রেটরি ৱাংজম সনাতোম্বা মীতৈনা হায়, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা গর্জিয়ানশিংনা মফম মফমদুদা লোকল গর্জিয়ানশিং ওইনা লৈজরিবা মহৈরোয় লূপশিংদা রেজিষ্টর তৌদুনা খঙহনবীয়ু। মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা মফম অদুদা খুদোংচাদবা অমদি অৱা অনা লাকপদা অঙম্বা মতেং পাংজগনি। মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা মপান্দা মহৈ তম্লবগীদমক মীং চনবদসু মতেং পাংগনি। মসিগীদমক মপান্দা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মহৈরোয় লূপশিংনা তোঙান্না সেল অমমম হাংদুনা থল্লে।

পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা মতম ওইরিঙৈদা এজেন্ট ময়াম অমা থোক্লরক্লে। মসি চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবদগী ওনলাইনগী খূথাংদা এদমিসন তৌনবগীদমক্তনি। মহৈরোয়শিংনা তমদি তমনীংলগা তম্বীদি ফংদনা লৈবা অমদি খঙদবনা মরম ওইরগা মপান্দা মহৈ-মশীন তম্বা ফংদবা কয়াসু য়াওরক্কনি। ওনলাইন্দা এদমিসন তৌরুরগা মদুগী মহয় ফংদবা য়াওরকপসু মায়োক্লগনি। মরম অসিনা হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কন্ননবগীদমক মহৈরোয় লূপশিং অসিনা পূনশিন্নদুনা মতেং পাংননবা হোৎনবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক তোঙান তোঙানবা এজেন্ট কয়া থোরকপা, ফী চার্জ ৱাংখৎলকপা থেংনরে। মরম অসিনা মপান লমদা মহৈ তম্বা চৎকদবা ওইরবদি মহৈরোয়শিংগী গর্জিয়ানশিংনা লূপশিং অসিগা ফাওনরগা চৎপীয়ু।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা বেঙ্গলোর মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রম্বোগী মায়কৈদগীসু এমসুনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা মখোয়নসু মতেং পাংশিল্লি। মরমদি অঙাংশিংগী মীং চন্নবগীদমক থোরক্লিবা এজেন্টশিংগী মরক্তগী নমথাক তৌবসু য়াওরক্তুনা মতম খক্তা নত্তনা শেল মাঙহনবা অমসুং মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙহনবসু য়াওরক্কনি। মসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি মমাঙথক্তসু থোকখ্রে হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা মহিশুরগী মণিপুর য়ুথ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি থ্রেষ্টিসু শরুক য়াখি।

মিরাবাই চনুগী নোংপোক ককচীং য়াওনা খুল খরদি তোটি ঈশিং থকত্রি...

*লামায় ১গী মখা...*খরমখৈদি কোক্কনি। মসি নৎত্রগনা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১ রোম শাংবা থাঙ্গপাৎকুম্বা পাৎ অমা লুনা তৌদুনা থম্বীরগদি মদুদা তূংদুনা লৈগদবা ঈশিংদুনা চান-থক্লবদা শীজিন্নবদগী হেন্দোরক্তুনা লৌ উবদা ফাওবা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

নোংগ্রেন, নোংপোক ককচীং, নোংদমদা খোং মচা অমখক লৈবা অসি নত্তনা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা পুখ্রি অমা ফাওবা লৈত্রি। লন্নাই মীওই খরগী পুখ্রি মচা-মচা খরা লৈনরবসু মদুনা মীয়াম হুপ্পা শীজিন্নবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নোংগ্রেন খুলগীদি হেন্দ পম্প শীজিন্নবা য়াবা অমা লৈবনিনা মসিদগী ঈশিং খরদা ওইরবসু লৌরগা মীয়াম্না শীজিন্নরি। নোংদম খুলগী খুনজিন্দা হান্না লৈরম্বা হেন্দ পম্প অদুসু শীজিন্নবা য়াদ্রে। পি ঐচ ঈ দিনা নোংপোক ককচীং অমদি নোংদম খুলগী শীজিন্নবা য়াদদুনা লৈরক্লিবা হেন্দ পম্পশিং অসি শেমজিনবীরগদি খুলশিং অসিগী মীয়ামদা থোইদোক্না ঈশিংগী কান্নবা ফংহনগনি। মসিদা নত্তনা নোংপোক হৈরোক, লাইকোয় চীং, ওকসু, নিংথেম খুল, থয়োং অমদি নিংথেমচা খুলনচিংবদসু থক্লবা অফবা ঈশিং পাইপকী খূথাংদা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি।

অদুম ওইনমক নিংথেমচা খুলদদি হেন্দ পম্প অনী লৈরি অদুবু হায়রিবা হেন্দ পম্পশিং অসিনা চিংখৎলকপা ঈশিং অদু ফত্তবদগী মীয়াম্না শীজিন্নবা য়াদ্রি। হেন্দ পম্প অনী অদুগী মনুংদা অমখক্না চিংখৎলকপা ঈশিংদুনা পাংন-শানবা শীজিন্নরি। মরম অদুনা খুল অসিদসু ঈশিং য়োকপা য়াবা পুখ্রি অচৌবা অমা নৎত্রগা কেনেল অচৌবা অশাংবা অমা শেন্নগা থম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়রকখি।

থয়োং খুলগী অহল অমনসু পাউচে অসিদা হায়, নাপেৎপল্লিদগী থয়োং খুল অসি কিলোমিটর ৮ লোম শাংই। লম্বী অসি কুমজা ২০১৬তগী ঙসি ফাওবা শেমজিনবীরক্তবনা হৌজিক্তি মসিগী ফীভম শাথীনা শোকচিল্লে। হান্না ফীভম ফত্তনা লৈরম্বা নাপেৎপল্লিদগী নোংপোক ককচীং ফাওবদি হন্দক সাইখোম মিরাবাই চনুনা ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংলকপদদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা পোট হোলশিং ফাওবদি মেনশিনবীরল্লে। মসিনা খরদি শাফরে। অদুবু লম্বী অসিগী অয়াম্বা শরুক ওইরিবা লাইকোয় চীংদগী থয়োং খুল ফাওবগী লম্বী অসিদি ঙসি ফাওবদা শেমজিনবীনবা মপু পান্দবগী ফীভমদা লৈরি হায়রকখি।

মসিদা নত্তনা লাইকোয় চীংদগী নিংথেমচা খুল ফাওবগী লম্বী অসিসু কুইনা শেমজিনবীরক্তবদগী পোট হোলশিংনা পিক থল্লে। মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা চোঙ-চোঙদুনা চৎপগী ফীভমদা লৈরে হায়রকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লম্বী অসিগী ফীভম অদু য়াম্না থীনা অতেনবা মতমদা শোকচিনখিবসি থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী থবক্তা মরী লৈননা পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবা গাড়ী ময়াম অমদি ইথম মোইরাংপুরেলদগী নুঙ-লৈঙোই পেল্লগা য়োনবা গাড়ী কয়ানা চৎপদগী ওইহনখিবনি হায়রি।

অদুবু, হায়রিবশিং অসিনা ফীভম থীনা শোকহল্লবা লম্বী অসিনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লম্লাইদা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমদি নোংগ্রেন্দা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর অসিদা তঙাইফদনা চৎলি। খরা হেন্না লুবা অনাবা য়াওরল্লগনা রিমস অমসুং জেনিমসতা চৎলি। অদুবু লম্বী ফত্তবা অসিনদি অনা-অয়েক য়াওরকপশিংদদি থোইদোক্না খুরৌ থাংহল্লি হায়রি।

খুলশিং অসিগী মীওইশিংনসু মখা তানা হায়, হায়রিবা খুলশিং অসিগী থক্লনবা ঈশিং, চৎননবা লম্বী-থোংগী ফীভম ফৎত্রিবা অসিগী মথক্তা য়ূমদা য়োকপা শা-ষণশিংদা করিগুম্বা অনা-অয়েক য়াওরক্লবসু খুলশিং অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিস্পেন্সনরি অমা ফাওবা লৈতবনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নে। নোংদম খুলদা ভেটিরিনরি দিস্পেন্সনরি অমা লৈরম্মী অদুবু চহী ১৫ রোম অসি ফঙ্কসন তৌদনা লৈরকপনা লৈরম্মী হায়বগী ৱারীনবদা ঙাইরে। হায়রিবা দিস্পেন্সনরি অসি অমুক হিঙ্গৎহনবদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কয়ামুক য়াম্না খুদোংচাদবা লৈবনো হংনরকখি। মৈগী ফীভমদি প্রী-পেদ সিষ্টম লাকপদগী খরদি ফগৎলে। অদুবু খুল ৮ অসিগী খুঞ্জাশিংনা হৌজিক হৌজিকমক মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংদি থক্লবা ঈশিং, লম্বী-থোং, হেল্থ সর্ভিস, শা-ষণনশিংগী দিস্পেন্সনরিগী খুদোংচাবা লৈতবনি।

লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা খুঙ্গংশিংদা জল জিবন মিসনগী মখাদা থক্লনবা অফবা ঈশিং পীগনি হায়বদু চহী অহুমখক্তা ঙাইশিল্লক্লে হায়দুনসু ৱানা ঙাইনহৌরি।